এডিটোরিয়েল

পুলিসকী মরমচৎসু অহোংবা লৈরে

ষ্টেট অসিদা তোঙান–তোঙানবা মখলগী লাইনা শেল তানবা য়াবা হিরম কয়া অনৌবা মীরোলনা লাকপদা পুথোরক্লি। মসি থেংনদুনা অমদি মসিগী কিংপিনশিং অদু থিদোক্তুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি কোকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী শক্তি পায়রিবা মণিপুর পুলিস অমদি হোম দিপার্টমেন্টকী মথৌনি। মসিগী মথক্তা করম্বা মওংগী ক্রাইম চথরিবগে অমসুং চথরকপা য়াবগে হায়বসি হান্না লৈঙাক্তা পাউ খঙহনগদৌরিবসি ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট অমদি অতৈ ইনফোর্মেসন সার্ভিসতা লৈরিবা হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ইন্টলিজেন্স কাঙবুগী মথৌনি। মণিপুরদা লৈরিবা হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা মথৌ তৌরিবা ভিজিলেন্স অমদি ইন্টলিজেন্স গ্রুপকী ষ্টাফশিং অসিদি হায়রিবা থোক্লককপা য়াবা ক্রাইমশিং অমদি ওইরকপা য়াবা মওং কয়া অদুগী মতাংদা য়াম্না ইনফোর্মেটিব ওইদবা মওংদা লৈবগুম মীয়াম্না উই। তৌবগীসু হৌজিক থোক্লিবা ক্রাইমশিং অসিগী মতাংদা ঈ–পাউ হান্না পুলিসতা পীগদবা অদু পীহৌদবদগী খঙহৌদনা মীয়ামদা অকি–অখঙ থোকহনবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিনা তাক্লিবদি হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী অশোয়বা কয়া অমা লৈ হায়বসিনি। মমাঙদগীসু অসিগুম্বা অশোয়বসিগী মতাংদা হঞ্জিন হঞ্জিন পাউ–চে কয়ানা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চুমথোক্লবা হায়খিবা লৈরে। মদুমক্তদা ঙসিসু চুমথোকপা ঙমদবনা ক্রাইম মখল কয়া অমা থোক্লক্লবগী মরম ওই। অদুমকপু হন্দক নৌনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা চঙলকপা এম পি এস ওফিসার খরনদি হান্নগী লৈরম্বা মরমচৎ কয়া অমা হোংদোক্লবা হোৎনরক্লি অমদি মখোয়গী ইন্টলিজেন্স শীজিন্নদুনা মখল কয়াগী ক্রাইমশিংগী মনুংদা ষ্টেটসিদা খ্বাইদগী কা–হেন্না থেংনরিবা গারী হুরানবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওই কয়া অতেনবা মতমগী মনুংদা ফাদুনা পুথোকপা ঙম্লক্লি।

ইন্টলিজেন্স রিপোর্টমক নৎত্রবসু বেঙ্ককী মীওইশিংনা চিংনবদগী পীরকপা পাউদগী বেঙ্ককী পাসবুক লোন্না শারগা তোঙানবা হুরান লান্নাগী থবক্তা শীজিন্নরম্বা গেং অমসু থুগাইবা ঙমখ্রে অমদি মদুদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং তৌখ্রবনিনা মখা তানা অশাবা চে–চাংনা মীনমদুনা পাস বুক শাবা অমদি অতৈ হিরমশিংদা শীজিন্নবা হায়বসি আইননা য়াদবনি হায়বদু খঙহল্লকপা অসিমক ষ্টেট পুলিসকী য়াম্না চাউবা এচিভমেন্টশিংনি হায়না লৌবা য়াই। মসিগীদমক মীয়াম্নসু ষ্টেট পুলিসকীদমক চাউথোকপা পোক্লিবনি। মসিমক ওইরবসু অপীকপা ক্রিমিনেল গেং খরা থুগাইখি হায়দুনা পেন্থোকপদি চুমদে। হৌজিকসু খ্বাইদগী চাউবা দ্রগ লল্লোনবা অমদি গারী হুরাল্লগা য়োন্দুনা শেন্দোং চাউনা তানবা অরিবা গেং খরদি মণিপুর পুলিসনা খঙলবসু থুগাইবা ঙমদনা লৈরি। মসিগী মরম কয়া গেং অদু সোসিয়েল্লি, পোলিটিকেল্লি পাঙ্গল কনবা মীওইশিংনা ঙাক্তুনা থম্বা অমদগী ওইবা য়াই। মতাংসিদা ঐখোয়না চেকশিনগদবসি মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্বা ওফিসিয়েলশিংবু লৈঙাক্না পূক্লিং থৌগৎপগী মহুত্তা মখোয়গী মথৌদা করম করম্বা মীওইশিংনা অমসুং সুপরিয়র ওফিসারশিংনা য়েৎতুনা মখোয়গী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপদা তম্থবা পোকহনবগে হায়বা অসিনি। মীয়াম্নদি অফবা থবক তৌবা, মশাগী মথৌ খঙবা পব্লিক সার্ভেন্টশিং অসিগীদমক চাউথোকচরবসু দিপার্টমেন্টকী মনুংদা লৈবা নৎত্রগা গেং খুৎপুগা পুন্না চৎমিন্নবা মশাগী শক্তি লৈবা মীওইশিংনদি মখোয়গী শেন্দাল লম্বীদা অয়েৎপা পীবা ওইনা থোকপদগী তুহৎপীদুনা মশাগী মথৌ তৌহনবা ঙমদ্রবরা হায়বসি হংলি। পাল্লিবদি ষ্টেটসিদা ক্রাইম মশিং হন্থহন্দুনা অনৌবা থোরকপা মখল কয়াগী ক্রাইমশিং অসি থিংলগা মীয়ামগী পুন্সিনা অওনবা চিংননিংঙাই লৈতবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবদুনি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

বি জে পী সরকারগী এন্টি করপসন গী খোল্লাও মমিংতা ঙাইরে

অশোয়বনা থল্লবা মণিপুর সিভিল সারর্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (মেন) ইক্সামিনেসন ২০১৬ গী ইন্টর্ভ্যিু ফাওবা থুগায়খিবা বি জে পী সরকারনা, হায়রিবা ইক্সামিনেসন অসিগী অশোয়বা ময়াম অমা মেদিয়াগী খুখাংদা পুথোকরক্লবা ফাওবা সরকার অসিনা তুমিন্না লৈশিল্লিবসি করিগীনো? পনবা য়াবদি হৌখিবা চহি ২০১৬ দা পাঙথোকখিবা এম সি এস সি সি (মেন) ইক্সাম অসি শুপ্নগী নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা হায়দোকখিবনি অমদি মসিদা পেন্দ্রবা কেন্দিদেটশিংনা ইক্সাম অসি কেনসেল তৌদুনা নৌনা পাঙথোকউ হায়দুনা ইহৌ কয়া চঙশিনখিবা লৈখিবনি। নাকল অমরোমদা ভোট মমাংদা অশোয়বনা থল্লবা ইক্সাম অসিগী প্রোসেস মখা চত্থবা য়ারোই, মণিপুরদা করপসন তৌবা য়ারোই হায়দুনা বি জে ৱাই এম গী কর্ম্মীশিংনা মণিপুরগী ইতিহাসতা ইহান হানবা ওইনা য়াম্না ইচঙ থৌনা এম পি এস সি গী কেম্পস তম্না চঙশিন্দুনা হায়রিবা ইক্সাম অসিগী ইন্টর্ভ্যিু ফাওবা থুগাইবা থৌদোক লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসিদি কেদিদেট খরগী পাওখুম চেগী ফোতো কোপী শিং আর টি আই এক্ট ২০05 কী খুখাংদা এপ্লাই তৌরুবদগী ফংলে লোয়ননা মসিদগী য়াম্না চাওবা অশোয়বশিং খুদম ওইনা ইক্সামিনরগী সোই য়াওরমদবা, মাক টেবুলেসন লান্না তৌবা, মার্ক ৱাৎনা পীরম্বা, মার্ক শেমদোক শেমজিন তৌবনচিংবা ময়াম অমা পুথোরক্তুনা লৈবাক মীয়াম্না খঙনরে। সেসনেল পেপর, টাইমস ওফ ইন্দিয়া অমদি মেগজিন, ইন্দিয়ান ৱয়ার দা ফাওবা ফোঙখ্রবনি। ফিভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা লমদম অসিগী এম এল এ শিংনা, মরুওইনা বি জে পী গী এম এল এ অমদি মিনিষ্টর শিংনা তুমিন্না লৈশিল্লিবসিগী হিদন এজেন্দা করি লৈবগে? ভোৎ মমাংদদি মণিপুরদগী করপসন মুত্থৎকনি, শেনজা থুমজা লৈহল্লোই হায়রিবসি মমিংতগী ওইনা তৌরগা তোক্কদৌরিব্রা? ৱাফমশিং অসি লৈবনা লমদম অসিগী এম এল এ শিংনা হৌজিক হৌজিক চত্থরিবা মণিপুর লিজিসলেটিব এসেম্লিগী মীফমদা ৱাফম অসি পুথোক্তুনা খন্নবীয়ু অমদি অচুম্বা পুথোক্তুনা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং অহকপা চৈরাক পীবীয়ু, অশোয়বশিং অসি মতুংগী ইক্সামিনেসন শিংদা তৌহনবীগনু, মণিপুর কনবীয়ু। হায়রিবশিং অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোরক্তবা তারগদি তোঙান তোঙানবা প্রেসর গ্রুপশিং মহৈরোইশিংগী লূপশিং অমদি সিভিল ওর্গোনাইজেসন শিংগা খূৎশম্নরগা অকনবা খোংজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরি।

অদোমগী
কৈশাম কিসন সিংহ
কো–কনভেনর, গ্রপ ওফ এসিপিরান্টস

বোর্ড ওফ সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুরগী 'নোংলাউ ঈশৈ'

ঐখোয়ই শ্বায়গী ৱারী
মণীন্দ্র কোন্সম

হায়নীংলকপা কুইরকখ্রবা ৱাফম্নি। মণিপুরগী লিটরেচর অমসুং ফোল্ক লিটরেচরগী লমদা মশক নাইনরবা ওজা অমসুং মরূপ–মপাং খরদদি হৌদোকখ্রে। মখোয়না চুম্মী–চুম্মীদি হায়বিরম্মী। অদুবু অচুম্বা অদুগীদমক পাউচেদা ইবিরকপা নৎত্রগা মরী লৈনবশিংদা ঙম্বা হায়বীবনচিংবা করিগুম্বা খরতা ওইরবসু তৌবীরকপা মখোয়সু অদুম্মক থৌশানবিখিদ্রে।

বোর্ড ওব সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম)না স্কুল মহৈরোসশিংগী মণিপুরী তম্নলাইরিক ফোঙবা হৌরকখিঙৈদগী হৌজিকসু ক্লাস ফোরদা তম্নরিবা লাইরিক অমনি ঃ 'মণিপুরী লাইরিক লাইশু।' মসিগী এদিটরিল বোর্ড হায়গদ্রা, লাইরিক্তা থারিবগী মতুং ইন্না 'ৱাখোন্বা'শিং ওইনা– ডা. এলাংবম দীনমনি সিংহ, পোত্থারবা প্রোফেসর, মণিপুরী য়ুনিভর্সিটী; ডা. হুইরেম বিহারী সিংহ, পোত্থারবা প্রোফেসর, মণিপুরী য়ুনিভর্সিটী; অমসুং ডা. ঙাঙোম নবচন্দ্র সিংহ, পোত্থারবা এদিসনস দাইরেক্তর ওব হায়র এজুকেসন; অহুমগী মমিং পীরি। ঐখোয়না ইকায়খুম্নজরিবা ওজাশিং ঙাক্তনি।

হায়রিবা লাইরিক অসিগী লামায় ৪০ (রিপ্রিন্ট ২০১৬)দা মাপনশুবা পারা ওইনা মৈতৈ অহল–লমনশিংনা 'নোংলাউ ঈশৈ' হায়না খঙনরকপা শৈরেং মতেক অদু য়াওরি। কুমগী নোংহৌ চুরক্লমদাই নৎত্রগাচুথরকপা মতমদা অঙাংশিং শান্নদসু অদুগা অহলশিংনা মচা–মশু থেন্বদসু শৈরোল ওইনা হায়নরকপা শৈরেং অসি কনানা করম্বা মতমদা ইরমদুনা হৌদোক্লম্বনো হায়বদুনা তোঙান্না থিজিনবগী ৱাফম অমা ওইহনখ্রসি। পঞ্জখ্রিবা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা (হান্নগী খুৎনমশিংদসু য়াওখ্রবা) শৈরোল মতেক অদু ৱাহৈ অমসুং পরেং কায়দনা মখাদা থমজরি।–

নোংলাউ ঈশৈ

নোং ও চুরে।
লাংজীং মতোন থূমহৎলো।
পাসোই নুরাবী তাউথরো।
উনম পাখঙ খুঞ্জরো।
কৌব্রু কৌনু নোক ও।
লোইজীং লোইয়া নোক ও।

অদুগা মখাদা লৈই কোয়শিল্লগা 'তম্বিবগী লমজীং' হায়দুনা ইরিঃ– ''অঙাংশিংদা রাইম অসি অহুম–মরীরক সুর–তাল য়াওনা পাবিগদবনী। অঙাংশিংনা লাইরিক খুমজিল্লগা রাইমগী নুংঙাইবা লৌবা হৈহনগদবনি। তাবদা খঙবা ঙম্লব্রা হায়দুনা মরী লৈনবা ৱাহং মচা–মচা হংবিদুনা য়েংগদবনি। মখোয়দা অমুক সুর–তাল য়াওনা উচরান চুম্না হন্না–হন্না থীহনবিগদবনি। মখোয়গী অহেনবা লৌশিংগীদমক, অসিগুম্বা নোংলাউ ঈশৈ অসি ঐখোয়গী অরীবা, থানবা য়াদ্রবা মচাক অমনি হায়ব খঙহনবিগদবনি।'' অদুগা অমুক থংনবা লামায়দা 'নৈনবা' হায়না থারগা অচম্বা ৱাহং অহুমখক হংলি– (১) চীন্না খুমগদব– রাইম অসি মওং চুম্না শকউ নৎত্রগা থীয়ু। (২) অরোয়বগী খোন্থোক মান্নবা ৱাহৈশিং শমজিন্নৌ (হায়দুনা হনুবী–নুরাবী, চুথরো–হাথরো হায়বনচিংবা ৱাহৈ খরা মপা চানহন্দনা পীরি)। (৩) মশাগী লৌশিংনা খুমগদবা– শৈরেং অসিগা মরী লৈনবা লাই য়েকউ অদুগা মচু শঙঙু।

ঐহাক্না মৈতৈগী শৈরোল মতেক অসি বোসেমগী লাইরিক্তা অহানবা থেংনখিবা মতম কুইখ্রে। চপ–চানা নীংশিংবা ঙমদ্রে। অদুবু মদুগী থোইদোক্তে। হৌজিক পঞ্জরিবা অসিদি মৈতৈ ময়েক্তা ২০১০ দগী নমথোক্লক্লবা লাইরিক্লি। ঙসি ফাওবদা বোসেমনা মৈতৈ ময়েক্তা ফোঙলকখ্রিবা স্কুল মহৈরোইশিংগী তম্নলাইরিক খুদিংমক্তা য়াওরক্তুনা থেংনরিবা বানানগী অমদি অতৈ নমথোকপদা শোয়রকপনচিংবগী অশোয়বা কয়াগীদি অঙকপা মশক্লি। হায়বীনবা লৈতবগী পংতৌ–তৌশিনবা য়াই হায়বা মওংগীনি। অদুবু ৱাফমঅসিনা অতোপ্পা অমা ওইহনখ্রগা খূৎই অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা 'নোংলাউ ঈশৈ' অসিগী মতাংখক্তদনি।

নৌরিবা অঙাংশিংবু মখোয়দা নৌনা থোকপা করিগুম্বা মখল অমা নৎত্রগা অমগী ৱাহৈ পরেংশিংবু ঈশৈগী মওংদা শৈরোল–তান্থা য়াওনা চীনফা পুহনবনা অঙাংশিংদা মশাগী হৈথোই–শিংথোইবা হেনগৎহল্লী হায়বসি মমাঙঙৈদগীসু অদুগা হৌজিকসু মালেমগী অখঙ–অহৈ বৈজ্ঞানীকশিংনা য়ানরকখ্রবা ৱাফম অমনি। অদুনা চাওখৎলবা ইংলণ্ড, অমেরিকাগুম্বা লৈবাকশিংদদি অঙাংশিংবু শৈরোল–তান্থা নাইনা তম্বীদুনা হায়হনগদবা শৈরেং মওংগী ৱাহৈ পরীং কয়া খৃষ্টগী ১৭ শুবা চহী চা মতম অদুৱাইদগী লেংশিন্দুনা ফোঙবা হৌরকখিবগী রেকোর্ডশিং লায়না ফংবা ঙম্মী (মসিগুম্বা রেকোর্ড অমসুং ৱারী–ৱাখোঙশিং খঙবা হায়বসি ইন্টরনেটকী মতম অসিদদি অরুবা নত্তে)। খূদম ওইনা অমা–অনীদং পল্লবদা–ইংলণ্ডদগী ১৭৪৪দা হৌদোরকখিবা ''বা বা ব্লেক সীপ হেব য়ু এনী ৱুল'' হায়বা অঙাংশিংগী নর্সরি রাইম অসি মমাঙউৈ ১২৭৫ গী ইংলণ্ডদা শামতু (ৱুল)গীদমক খোমগৎলম্বা খাজনা (টেক্স) মওং অমদগী হায়নরকখিবা রাইম অমনি। অদুবু মতম অদুদা ফুঙ্গানাই (মমল পীদুনা লৈরগা থম্বা মীনাই) ওইনরম্বা অফ্রিকাগী কুচু মুবা মীওইশিংবু হন্থনা য়েংবিবা মওংদা পল্লী হায়বগীদমক খৃষ্টগী ২০ শুবা চহী চা লোইশিল্লকখিবা মতমদগী হৌনা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা ৱাফম হায়নরকখিবদগী ২০১১ দগীদি নোংচুপ লৈবাকশিংদদি রাইম অসিদা ''বা বা ব্লেক সীপ'' হায়বগী মহুত্তা ''বা বা রেইনবো সীপ'' হায়বা হৌনরকখ্রে।

অসূম তৌনা, মৈতৈ ঐখোয়গী ওইনসু মমাঙঙৈদগী ইপা ইপুশিংনা থম্বিরমদুনা অঙাংশিং শান্নবদবু ওইরো, অহলনা অঙাং থেম্বদবু ওইরো, শান্নবিবদবু ওইরো শৈরোল –তান্থা নাইনা হায়নরকপা রাইমশিংগীসু নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অমমম শেয়দনা লৈফম থোকই। লৈ হায়বসু ঐখোয়না খঙনরি। অদুবু বোসেমনা ফোঙবা লাইরিক্তা য়াওরিবা 'নোংলাউ ঈশৈ' অসিমগীদি অশেংবা–অচুম্বা ৱাহন্থোক পীবা কনানসু ঙল্লরোই। মসিবু লাইরিক্তঃ লেংশিনবগী থৌদাং য়াবিরকখিবা ইকায়খুম্ন জরবা ওজা অহুম্মক্লসু শেমজীন–শাজীল্লগা ৱাহন্থোক পীনবা হোৎনবিরবসু ৱানা থোক্লগনি।

মরমদি মৈতৈ অঙাংশিংনসু অদুগা অহলশিংনসু কুমগী নোংহৌ চুথরমদাই নৎত্রগাচুথরকপা মতমদা অঙাংশিংনা শান্নবদা অদুগা অহলশিংনা পীক্লিবা মচা–মশূশিংবু থেম্বদা নৎত্রগা শান্নহনবদা শৈরোল–তান্থা নাইনা শক্লরকপা 'নোংলাউ ঈশৈ'গী পরীংদি বোসেমনা ফোঙবা লাইরিক্তা য়াওরিবা অসিগুম নত্তে। মখাগী অসিগুম্ননিঃ–

নোং ও চুরো।
হনুবা হনুবী তাউথরো।
লংজিন মতোন থূমহৎলো।
পাৎ–সোয় নুরাবী তেকখৎলো।
উনম পাখঙ হারাওরো।
কৌব্রু কৌনু নোক ও।
লোইজীং লোইয়া নোক ও।

মসিনা মৈতৈগী অচুম্বা 'নোংলাউ ঈশৈ' নি। ৱাহৈগী পরীংদি মৈতৈগী 'লৈরক অমা শৈশক অমা' হায়নবগুম লৈকায়–খুঙ্গং খেন্নবা মতুং ইন্না পরেং খরা অদুক হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপা য়াই। নুংগী ৱাহন্থোক পীবগী মওংদি চেন্নবা লৈররোই। মথক্কী অদুম্বা 'নোংলাউ ঈশৈ' অসিদা চেল্লিবা নুংগী ৱাহন্থোক্তিঃ–

নোং কন্না চুদুনা খুল্লক–ইরক লৈরক–কোন্সাং লম্কাং–তুমহাংদা লৈরম্বা ফত্ত–হৌদি অমাং–অশোয় (হনুবা–হনুবী) খুদিংমক নোংজুগী ঈচেলনা চেন্থখ্রো। ঙা ফানবা পূখ্রী খোঙলম–ইরম পাৎ–তুরেলদা ঙা ফানবা থাকপা লাংগী মখোক মচীন (লাংজিন) থূম্বমখৈ নোং চুদুনা পাৎ অমদি ঙা ফাফম সোয় (নিলাম লাউদুনা কনাগুম্বা মীওইদা মপু ওইনা শান্দোক্তুনা শিন্নবা ঙা ফাফম) শিংদা ঙা ফাবী নুপীশিং ঙা য়াম্না ফাবদগী শেল য়াম্না ফংদুনা মশা–মশাগী অনীংবা–অপাম্বা থুংলগনি খঞ্জবদা মশা খীংহল্লো। অদু ওইরবদি, নুপীজা ওইবীশিংগী হৌনশা, মখোয়না শেলবু পায়রবদি অনৌবা মফি–মরোল লৈবদা শেল শোয়দনা থাধনরক্ল গনি। অদুম তৌরগদি, নুপীগী ফি–রোলশিংদা মচু–মমেন থোকহন্নবা উনম–নম্বগী থবক তৌবা নুপাশিংদা মরূ ওইনা পাখঙশিংদি শেল হেন্না থোকপতা নত্তনা ফি উনম নম্বা লাকপী লৈশাবীশিং উনবসু ফংজদুনা হরাওনরগনি (মমাঙঙৈ মণিপুরদা নুপীশিংনা শেৎন–ইন্নরম্বা ফি–রোলশিংদা মখল–মখা মচু–মমেনগী ময়েক থোকহন্নরম্বদি হৌজিক মতমগুম পাং –ইয়োংদা শারগা নৎত্রগা খূৎনা লোল্লগা নত্তে, উনম নম্নরম্বা ঙাক্তনি।

মণিপুরদা য়েত্তুম্না ফি লোনবা হৌনরকখিবদি কায়নথং ''কবোগী য়েত্তুম তনৌবী'' হায়বা মৈতৈগী ৱাহৈ অসি থোরকখিবা, হায়বদি ইংলেণ্ড নৎত্রগা চিনানা শাবা য়েত্তুম কবোরোমদগী য়ৌরকখিবা মতমদগীদনি)। অদুগা মণিপুর তম্পাক্লমদা কুমগী নোংহৌ হৌরকপা মায়কৈ মরীগী মনুংদা অৱাং–কৌব্রু মায়কৈ অমদি মৈতৈনা ঈরাৎনরিবা ইবুধৌ কৌব্রুগী তালোই কৌনুগী খুভম্নি লৌনরিবা নোংচুপ–কৌব্রু মায়কৈ অনী অসিসু য়াওরি। মায়কৈ অনী অসিদগী কুমগী নোংহৌ হৌরক্তুনা মরাঙ কায়না চুরবদি লোইজিং–লোইয়া চীংয়া–তময়াগী উপাল–ৱাপালশিংসু মশা–মরেঙ ফন্না মপুঙ–মরৈ ফানা ইনখৎচরকপা তাবনি।

মসিনি মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা থম্বিরম্বা 'নোংলাউ ঈশৈ'গী নুংদা চেল্লিবা ৱাহন্থোক।

মসিদি নৎত্রদুনা, লংজীং চীংগী মতোন তুম্বমখৈ নোং চুদুনা অহল ওইরবা ইপূ –ইবেন ইমা–ইপাশিং চেন্থখ্রো, পাৎসোই খুঙ্গংগী লৈশাবীশিং চেন্থখ্রো হায়বগুম্বা শৈরেং মখলবু নৌরিবা অঙাংশিংগী মকোক্তঃ চঙহন্নবা তম্বীরবদি করি থোক্লগনি!

অদুনা, মতুং–মনাওদি বোসেমনা অঙাংশিং তহন্নবা মণিপুরগী তম্নলাইরিক পুথোকপিবদা অসিগুম্বা অচৌবা অশোয়বা য়াওহনবীদনবা, লাইরিক লেংশিনবিবগী থৌদাং য়াবিরিবা ইকায়খুম্নজরবা অখঙ–অহৈ ওজাশিংদা চেকশীনবা শোয়দনা থম্বিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজগে।

কলচরদা কদর তৌবা য়াওখিব্রা

সনাতোম্বা মৈতৈ

থবক অমাহৌরমদাইদা মাং য়েংবদগী তুং য়েংবনা হেন্না মরু ওই। শাফম–লানফমদা থৱায় পাম্মুদনা চংখিবা, ঙম্লক্ত্রবা মতমদা থৱায় থাদোকপা লাল্লোইদু থৌনা ফবা পাথৌ ওইনা শিংথানৈ। হিকাপ য়াইকাপ তৌদুনা, ভুৎ থাজিনলম্নগা থোকঅ থোকঅবা লাক্কনি নৎত্রগা লাকচনি খনবা মীদি পাথৌনি হায়নদে, মীরৈহৎ হায়নবকাদি য়াওরম্বা য়াই। লৈশেম তুশেমগদবা লৈঙাক থৌরমদা মথৌ ওইনা খনবশিংনা মথোং হুক্তবা কদর–ফদরগী থবক তৌবশিদি চুমদে।

গভর্ণমেন্ট পায়রিবাঅমদি পায়রম্বশিংনা তৌগদবা থবক অসি থবক ফংদবা নহাশিং তলব চাবা থবক হাপ্পখক্তা নত্তো অদুবু মীয়াম্নসু মখোয়নসু শিংথাবা য়াবা তুংগী লম্বী ফাৎপা থবক অসি তলব চাবা থবক হাপ্পসিনি হায়না খনবদৌনা তৌই। মমাংগী ইবোবি গভর্ণমেন্টনা থৱায় য়াম্না য়াওখিবসু থবক হাপ্পদনি। ভি দি ,ফ হায়বা মশঙ অমা লীংদুনা নহা কোকথোং অমা হাপখি। আই আর বি, পুলিস অমদি অতৈ অতৈ লোয়শঙ কয়াদসু থবক হাপখি। শিরমদাই খোঙ্গাও ফাওবা য়ৈথোক য়ৈশিন তৌদুনা থবক হাপ্লম্মী।

হায়নখিবা লৈ থৌবালদা ও ইবোবিদি ভোৎ ইখোম খোমদ্রসু কাগনি। কাসু কাই, মাদ নত্তনা মচা–মচা থোকপশিংফাওবা কাখি। অদুবু মখোয়শি ফিদম্নফম ওইবা লৈঙাকপনিদি হায়নদে। মরু ওইনা তলব চাবা থবক খুহাপ লাকহাপকী মতাংদা মখোয়না শান্নখিবা লীলা খ্বাইনা খঙই, খূৎ থারুবা ঙম্নখিদবনি। অদুবু খঙন–চান্নবা, নক্লবা মরি মতা, শেন–থুম অমদি তেন পার্সেন্টকী কলচর অমা মমাংগী গভর্ণমেন্টকী মতম লৈরম্মী হায়বসিমদি মৈনা ঈশিংনা চামদুনসু কোক্লরোই।

মতম, মাগী মাগী মতম হায়বসি লৈবজাৎনি। হৌজিক চেগী পেন্টিদগী হৌরকপা জেনিমসকী থবক হাপ্তোক হাপচিনগী মতাংদা ফৈরেং তুরেং তৌরম্লে হায়দনা শবাক ফাক্লক্লিবসি মতমদুগী চিফ মিনিষ্টর অমদি মাগী শরোই ঙারোইশিং চেন্নরম্লোই হায়বা ঙম্বা কনাদি লৈগনি। অমরোমদা থবক পুদি হাপ্পীরম্লে হায়রগা খূৎশুমলদি হৈক্রে মনানা য়োম্লগা পীবিরে হায়বগী ৱাকৎ ময়াম অমা অনৌবা লৈঙাক্কী মাংদা তাররিবসিনি। কয়া ফজনা ঙাকলম্বা লৈঙাক্লো।

অসুম্না কদরগী কলচর অসিগী মমি কলচররেল য়ুনিভর্সিটি অসিদসু তারে। লৈবাক্কী ইথিল খঙনা ও ইবোবিনা চিফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা লিংখৎলম্বনি হারোই হারোই, মণিপুর কলচর য়ুনিভসিটি ভি সি অমগা রেজিষ্টার অমগা নেক্তুনা। ইনফ্রাষ্ট্রকচর করি করা অমত্তা লৈবা নত্তে। ওফিস ফাওবা অর্ট এন্ড কলচরগী অৱায়বা কানি। সাইন বোর্ডসু মদুদনি থেৎলিসু। কলচর য়ুনিভসিটি হায়রিসি সাইন বোর্ড থেৎলিবা মফমদু ওইবা তাবরা? ওঝা ময়াম লৌখি। অঙম অথৌশিংগী ইন্সট্রক্সন মখাদা লৌখিবা য়াওই হায়দনা ৱা থোক্লখি। করিনা মচিন মেন্নখিবনো খঙদে। পাউ চে অমদা রেজিষ্ট্রারনা ঐদি কৈমত্তা খঙজদে, এক্সপার্টশিংগা ভি সি গনা তৌজবনি, ঐদি লাঞ্জদে হায়বা শেংদোক ৱারোল অমদি থেংনখি।

ইকুই কুইদনা ক্লাস হৌখি। অহানবা সেমিষ্টর লোইশিনখ্রেহায়বা তাই। তাকপীবগী মতাংদদি খনলুরবা ওঝা খরদি তাকপা ঙমদ্রদুনা (খঙদবদগী) অখঙবা অঙম্বা থি থিদুনা নেক্লগা তাকহনখি হায়বা য়াওই। ঙম্ন ঙম্নবা হোৎনবদা ওঝানি এক্সপার্টনি হায়না করম্না নেক্লিবনো কনানসু থিগৎনদে। মকোক মরু ওইরিবশিংনা মখোয়গী শরোই ঙারোইশিং তান্নরগা খূৎচাও থাদুনা হাপ্পদৌনতৌমাল্লে। লুরিবদি অনেকমল পীবিদ্রে হায়রিসিনি। শেল লৈতে হায়বা তাই।

হৌজিক্তিঃ মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখোন থোরক্লে। খঙনিংবা কাংবুনা ভি সি, রেজিষ্ট্রার উন্নগে চংলুবদা উন্নহল্লক্তবা য়াওরেসু হায়। অনেকমল পীদবগী মরম কায়থবা শেনফম থিংখিবননিসু হায়রে। অদুনদি কলচরদা ইনাক খুনখ্রবা লমদমসিগী কলচর য়ুনিভর্সিটিদা কদর তৌনবা য়াওরে হায়বা তাক্লবনি। ওঝা খনবদি লায়বু লাইরি য়ুনিভর্সিটি অসি লীংনবগী য়ুম্ফম কদাইদা থোনখিবগে, বিল্ডিং, ক্লাসরুম কদাইদা শাখ্রবগে?

অদুনবু অনৌবা কলচরগী মিনিষ্টরনা কলচর য়ুনিভর্সিযি কদাই লৈবনো খঙদে হায়রকপা ওইরম্বসু য়াই। মসিগীসু মরম লৈরমগনি। হৌজিক্তিঃ য়ু,,ম য়েংবা হৌরমাল্লে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লীংখৎলম্বা লোয়শঙ কয়া, মপান লৈবাক্তা খূৎশম্নমা লৌখৎলম্বা প্রোজেক্ট কয়া মসলা তাখিবা ময়াম য়াওরিবসিনি। থৌদৌ অসি মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসিদসু থোক্লোই হায়বা ঙমদে। হিংজ্রেং কাইজ্রোংদা থবক অমা তৌরকপদা য়ানি য়ানি হায়দুনা মতিক মপা চাদনা ফিদা কল্লুবা শক্লাইরবা স্কেলার অনীসু ষণ অশিবগী মনাক্তা লেপ্পুবগী প্রাইচিত ফংফম থোকই। অশোয় অরান খুদিং মতম মতমগী লাকপা গভর্ণমেন্টতা তেচাক নমগনি হায়বা ৱাখলসিসু অচৌবা কদর অমনি।

অমবু ওইরো অমবু ওইরো হৌজিক তৌবা য়াবসি মণিপুর য়ুনিভসিটিদা এফিলেট তৌবা কলচরেল কলেজ অমগী মঙ অমা প্রাস রুটতগী হৌনা মঙবা চুমগনি। ইন্সটিট্যুসন অমা লীংবা হায়বসি গ্রাসরুৎতগী হৌফম থোকই। এম এ, বি এ, হান্না তম্লগা প্রী য়ুনিভর্সিটি কোন্না তমবা য়াবা হৌনদে। মতিক মপা চাদনা মমল য়ামখ্রা স্কোলার, এক্সপার্ট কয়া অমা কংতক তক্লম্বা অসিদি তৌহৈদে অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসি পুমশেম শেমদোকপা নত্তনা মোরা মোট তৌবনদি মশক থোক্কদৌবা মান্দ্রে, হায়বদি মকোক্তগী অমুক হৌবা হায়বনি।।